## এডিটোরিয়েল

### মীয়ামগী থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং অসি সেন্তরদা ষ্টেটনা খঙহনবা ঙমদ্রবরা

হৌখিবা থা খরা অসিগী মনুংদা নাগা সোসাইটিশিংনা মখোয়গী দিমান্দ মণিপুর সরকারদা তৌরিবনি হায়দুনা নেস্নেল হায়ৱে ২ ইম্ফাল– ডিমাপুর লম্বীদা ব্লোকেদ কৌরিবা অসিগী ৱাহন্থোক অসি ঙসিদি মণিপুর সরকারগী মথক্তা তৌবা মান্দ্রে। ব্লোকেদ অসি তম্পাক লমদা খুন্দারিবা মীওই অসিদা ৱাহন্নবা শিনবা খোঙজং অমা ওইরে হায়না লৌবা তাই। নাগাশিংনা খুন্দারিবা মফমশিং অসি মণিপুরদগী তোখায়জরগে অমসুং গ্রেটর নাগালিম অমা শেম্বদা য়াওজরগে হায়বগী মত অমসু মমাঙদা ফোঙদোকখিবা থেংনৈ। মদু ওইবা তারগদি করিগী মণিপুর সরকারগী মখাদা ষ্টেটকী ওইনা পোৎ–চৈ পুশিল্লক্লিবা গারীশিং থিংবগী মথৌ তাবগে হায়বা ৱাহং অমা ঙসিদি হংদবা য়াদ্রে। ষ্টেটসিগী মীয়ামগী ওইনা নোংমগী শীজিন্নদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া অমা পুশিল্লক্লিবা গারীশিং অদু করিগুম্বা নাগাগী দিমান্দ অমা মণিপুর সরকার য়াওদনা সেন্তরদা তানবা তারগদি মদু মণিপুরী পূম্নমক্না শরুক য়াবসু য়াবনি। মদু নত্তবনিনা হায়বদি গ্রেটর নাগালেন্দ অমগী মঙ মঙলিবা লূপ অমগী কাঙলূপ্না মণিপুর সরকারগী মথক্তা দিমান্দ তৌবা হায়বসি চৎনবা য়ারোইদবা অমনি। মসিদা মথোং খঙদনা হেক্তা নেস্নেল হায়ৱে অমবু ব্লোক তৌদুনা থমজিনবা হায়বসি ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা সিতিজেনশিংনা শেম্বা লূপ অমনা কৌবা তারগদি লূপ অদু ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী মখাদা আইননা য়াদবা লূপ অমনি হায়না লাউথোকফম থোক্লিবনি। মসি হোম মিনিষ্ট্রিদা ৱারী শাবগী মহুত্তা মিনিষ্ট্রি ওফ হায়ৱেজদা ওইনা ৱারী শাবনা হেন্না ৱাহন্থোক লৈগদবা মাল্লি। মসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্নসু ইন্টরেষ্ট অমত্তা লৌদবদৌনা লৈবসিদগী পাল্লিবা কংগ্রেস সরকার অসিগী মায়োক্তা মীয়াম্না পামদবগী মত কয়া অমা ফোঙদোক্নরক্লি। করিগুম্বা লৈঙাকসিনা চপ চানা ব্লোকেদ তৌরিবা কাঙবু অসি নমথদুনা অৱৈবা ফোর্স শীজিন্নরগা থেংনরম্বা তারগদি লৈঙাক অসি খ্বাইদগী মথৌনা লৈবা অমসুং মীয়ামগী খনবা লৈঙাক অমনি হায়না লৌরম্বা য়াই। মদুমক্তি হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈতে অমসুং মদু অনৌবা এক্সন অমা চখদুনা ফংনবা হোৎনবা হায়বসিসু মতম থেংমল্লবা অমা হায়বদু ওইগদৌরি।

মরকসিদা মণিপুরগীদি ইন্দিয়াগী লৈঙাক্না মান্নদবা মওংদা লমদমসিগী চৎনবী অমা তোপ–তোপ্না লৈ হায়বসি ষ্টেটকী লূচিংবনা সেন্তরদা মতম চানা খঙহনবগী মথৌ তাই। হৌজিক হরিউত্থানগী মতুংদগী মণিপুরদা লুহোং–কৈহোংবগী থৌদোক কয়াগা লোয়নন্না অফবা নুমিৎ কয়াগী মনুংদা অফবা থৌদোক কয়া অমা পাঙথোক্লবা মীয়াম্না থৌরাং তৌনরি। হায়রিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসিদা চৎনবীগী মতুং ইন্না ঐখোয় মশেল মরক্তা শেল–থুম পাংনবগী চৎনরোল অমসু লৈরি। অসিগুম্বা তাঞ্জাদা ব্লেক মনি ফাগৎনবা থৌশিলনি অমসুং করপসন থিংনবনি হায়দুনা মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা নোংমতদা হান্না চৎনরম্বা শেলয়েকপু চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবসি ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী চপ চানা থেংনফম থোকপনি। মদুদসু লৈঙাক মপুনা তুম্মিননা লৈশিনখিবা অমসুং মশানা পায়রিবা ফাইনান্সকী পোর্টফোলিও অদুদা হকথেংননা শিংনরকপা সেন্তরগী থৌশিল অসিগী মায়োক্তা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈবদগী ঙসিগী ফাইনান্সিয়েল ক্রাইসিস অসি লাকপনি। মসি লৈঙাকসিনা য়াম্না মুন্না খন্থদবা অমসুং মীয়ামগী খন্দবদগী থোকপা থৌওংনি হায়না লৌরোইদবগী মরম করি লৈবগে হায়বসিগী পাউখুম মীয়াম্না পাম্মী।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মোরেল ভেল্যু মশক খঙহনসি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

ঙসিদি লমদম অসিগী হিংবগী মচৎ ওন্নরক্লিবসি মমাঙগী অখঙ অহৈ অমদি লৈঙাকপশিংগী খন্থরুদবা অশোয়বা কয়াগী মহয়নি হায়বদা হায়মল্লরোই। অঙাংদগী অহলদগী তুংগী ৱাখল খন্থদনা য়াম্না তমথীবা ক্রাইমবু শান্নবা য়াবা মশক ওইনা পুথোরক্লিবসি লমদম অসি লৈখা তারক্নবগী মরা তাবা হৌখ্রবনি। হিরম খুদিংদা ক্রাইম হায়বসি অফবা শুকনৎ নত্তে খঙনা খঙনা হৌজিক্কী মীরোলসিগী মরক্তা নোংমা কাংদনা মী হাৎপা, নুপী অঙাং ইজ্জৎ মাংহনবা, পৈশা খরগীদমক মীবু ফাবা নৎত্রগা মীহৌবনা মাংওইননা অফ–ফত্ত খন্দনা মখল মখা কয়াগী ক্রাইম চখনরিবসি কদায়দগীনো খঙদবা য়াম্না চাউবা অশোয়বা অমা লৈরবনি। অশোয়বা অদু থিদোক্তুনা অচুম্বা মায়ওন্দা ওনশিন্নবা হোৎনবা মতমদু তঙাইমক ফদ্রবনি। তশেংনা অকিবগী মশক ফংনা ক্রাইমগী মরুমদা শাথীরবা থৌদোক ৱাথোক লেপ্পা লৈতনা নুমিৎ খুদিংগী থোকচিল্লক্লবদি মরী লৈনবা সরকারগী দিপার্টমেন্টসু মীৎ না শীংনা লৈতবা য়াররোই। মরী লৈনবা লৈঙাকপসু খর খন্থবীরো হায়জনিংই। মোরেল য়াওদবা নহা, অহল নুপী, অঙাং, পুলিস পার্সোনেলশিং মন্ত্রিশিং ঙম্নমক মোরেল এৱারনেশ অমগী মথৌ তারক্কদবা মতমদু য়ৌরক্লবনি হায়নরিবসিসু অরানবা নৎত্রবনি।

মোরেল ভেল্যু লৈরক্তবা হায়বসি লমদম অমগী মীওইদতা নত্তনা মালেমগী ওইনসু য়াম্না নুংনাংনিঙাইহনি। থকশি খাশি নাইদবনা অমনা অমবু উশিংনদবা হেঙ্গৎলক্লিবসিমক মালেমগী মফম পূম্নমক্তা নোংমা নোংমগী মশীং য়ামখৎলক্লি মদুমক্না মালেমগী মচী মচীদা লান মচা নৎত্রগা লান অচৌবা কয়া লেপ্পা লৈতনা থোক্লিসি য়াম্না লাইবক থীনীঙাইনি। মশাদা মোরেল পত্ত্রবা মীশক্তুনা অতোপ্পা মীওইবু নুংশিবা ঙম্নগ্লোই হায়বসিসু পূম্নমক্না খঙনরবসু "ঐতগী" হায়বা ৱাখল্লোন অসিদগী ক্রাইম লাক্লিবনি। ক্রাইমবু লাকশিন্নবা লম খুদিংগী আইন মতিক চানা লৈরবসু ঙসিদি আইন মরিল চত্তুনা ফত্তবা তৌবশিংবু ফাজিন পুনশিনবা ঙম্নরক্ত্রে।

খুদিংমকসি খন্থরুবদা অকিবগী মশক ওইরবসু ঙসিদি ফত্তবা মশক তপ্না তপ্না খঙনরকপগুম তমথিবগী মায়ওনসু তপ্ন তপ্না অচুম্বরোমদা ওনশিল্লক্লে হায়দুনা অখঙ অহৈ শিংনা য়াম্না কুপ্নদি নৈনরি। অচুম্বসু ওইসনু।

খ্বাইদগী হেন্না পামজবদি ইরমদম মণিপুরগী নোংমা কাংদনা থোক্লিবা ক্রাইমশিং অসিগী মতিক চাবা আইনগী মথৌ ফগৎহনবীয়ু। মোরেল ভেল্যু মশক খঙহন্নবা এৱারনেস মতাং মতম চানা তত্তনা পীবীয়ু। লমচৎনবু অফ –ফত্তা মশক খঙহল্লবদি তপ্না তপ্না শাথীবা ক্রাইশিংসি মাংজখিনি হায়বা ৱাখল্লোনসি ইদিটরগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী,*
*বিসি খুমন*
*ইম্ফাল*

# ওল্লকপা চহীগী ফৌদি থৌরাং তৌবা

ব্রজমনি থৌদাম

লৌমী খরনা মশাগী ফৌদি থমহৌদবা, চিরবা মতমদা ফৌদি থীবা কোইচেন চেনবা য়াওই। মসি মতমসু মাংই মমলসু অফবা ফৌদিনি হায়দুনা হেঞ্জিন্না লৌহৌবা, অপাম্বা অফবা ফৌদিসু ফংদবা য়াওরিবনি। থৌশাহৌদবদগী লৌমীগী মাংজবা অসি, লৌমীনা খঙহৌবা তাই। বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা অশেংবা অফবা লৌফমগা চান্নবা ফৌদি মতম মতমগী ওইনা সরকারনা নৎত্রগা লন্নাইগী ওইবা অচৌবা লৌউবগী ফার্মদগী অফবা ফৌদি মতম চানা শোয়দনমক ফংগনি হায়বগী ওইথোকপা লৈরবদি ফৌদি থমহৌদ্রবসু কায়দে অদুবু লমদম অসিদা হৌজিকমক্তিঃ লন্নাইগী ফার্ম নৎত্রগা সরকারনা লৌমীশিংদা শকখঙলবা ফৌদি ফংহনবদা অৱাবা ওইরি, মরম অসিনা লৌমী মশামক্না লৌফম লৌফমগা চানবা অফবা চাথোক লৈবা ফৌদি লৌহৌনবা লৌমী মশামক্কী হক য়াম্না চাওই। অফবা ফৌদি লৌহৌনবা লৌমী অমনা মখাগী ৱারমশিং অসি কাওরোইদবনি।

লৌফমদা য়াম্না শাথিনা মরেক, ফৌনা কোনশিনবা উশিংশা য়াঙ্গংবী, উতোং শাৎপা, ফৌজুম তাখিবা লৌফমদগী ফৌদি লৌরোইদবনি।

কম্বোং শাৎপা, ফৌনা তঞ্জাই কংবা, মঙক পৎপা, ব্লাষ্ট ফৌনাদা অমদি ফৌ পাম্বীদা কোহিলং মানবা মচু মফুৎ মফুৎ পকপা, ফৌগী চরোং কোম্থদনা পুমবুম তৌরগা শাৎপা মতোন থংবা খরনা মরু চঙলগা অয়াম্বনা মরু চংবোই চংদবোই তৌবা লায়নাশিং অসি তাখিবা লৌফমশিংদগী ফৌদি লৌরোইদবনি।

উরুম লাংবা, নুংশা মরাং কায়না ফংদবা, নাপী হৌবা ফৌখোঙ মোৎপা, ফৌদি মাংবা, ঈশিং থুমখিবা, খুদাপ্তা নোং নংখিবা, মতোন থোকখিবা তোংশং নাইনা নৎত্রগা য়াম্না কেন্নগা লোকপা, ঈশিং ৱাৎপা য়াম্না কুম থেংথনা পানখিবা নাইত্রোজেন হেনজিন্না হাপখিবা, চেং তেকপা অমসুং ককই কাবা লৌফমশিংদগী ফৌদি লৌরোইদবনি।

ফৌনা মরু হায়থরক্লবা মতমদগী খোইঙাং শারকপা মতাং ফাওবদা ফৌদি লৌগে খল্লবা লৌফম অদুমক্তা ফৌশাৎ মান্নদবা, ৱাংবা মান্নদবা, পাল্লকপা ফৌগী মরুগী মওং তোঙানবা অমদি উরিৎচারুচিংবা মাংজৌননা লৌখাওদ্রিঙৈদা লৌথোকহৌবা তৌদবা য়াদ্রবা অমগী মথৌনি। উরিৎ–চাক ককপা মতমদা মখোঙ থেংনা কককদবনি। মতোন্দা কক্লবদি মশা থুনা লোঙথোক্তুনা য়াম্না থুনা মরু অমুক পাল্লক্নবগী শক্তি পাম্বী অসিদা লৈ।

লৌ লোক্ত্রিঙৈদা মমাংদা লৌফমদা ফক্লেন হেক তিংথোকপগা শুমচিৎ অমনা শেংনা শিত্তোকহৌগনি। অসুম্না অতোপ্পা ফৌ পত্ত্রবা ফক্লেন অদুদা ফৌদি ওইগে খল্লবা মনথোক্লবা ফৌ অদু হান্না ফৌবীতমক হায়দুনা অতৈ ফৌশিং য়ৈদ্রিঙৈদা য়ৈথোকহৌগনি। চৈরোং পায়দ্রিঙৈদা ফৌবীতমক হায়রগা তারকপা ফৌশিং অদু তোঙান্না মথং চহীগী ফৌদিগীদমক থমহৌগনি। ফৌদি বোরাখাওদা হাল্লগা তোঙান্না থম্বনা ফৈ। বোরাখাওশিং অদু ফৌদি হান্দ্রিঙৈদা শেংনা কম্থোকহৌগদবনি। য়ুম য়ৌরগা নুংশাদা কংনা ২–৩ লক ফৌদোক্লবা খপতোক্লবা মতুংদা লৈবাক্তগী ফুৎ ৩ ৱাংবা মফমদা কাংথক হাদুনা উচি চংলোইদবা মফমদা থমগদবনি। মরক মরক্তা নুংশা য়াম্না শাবা নুমিত্তা ফৌদোক্তুনা ফৌজুম্নচিংবা চংদনবা হোৎনগনি।

খর হেন্না ফগৎবা মওংদা ফৌদি খনবা লৌ খাওদ্রিঙৈদা কাতি নৎত্রগা থাঙ্গোল শীজিন্নদুনা, মমুন ফারবা মুনবা মান্নবা, লায়না তিননা পক্তবা, অচুম্বা চরোংশিং ফৌদিগীদমক্তা হান্না লোকশিলহৌবা য়াই। মসিসু অফবা ফৌদি ফংনবা অফবা পাম্বৈ অমনি।

অচুম্বা চরোং অমখক্তদগী নৎত্রগা ফৌ মরু অমখক্তদগী লৌমীশিংনা অশেংবা অফবা মখলগী ফৌদি ফংনবা হোৎনবসু য়াই, মতম চংই, মতুংদদি কান্নরক্কনি। চহী খরা চংজরবসু মসিগী পাম্বৈ অসি শীজিন্নরবদি ফৌদি মাংলরোই। হেন্না চাথোক লৈবা অফবা মখলগী ফৌ পুথোক্লবগী পাম্বৈ অমসু ওইগনি। করিগুম্বা ফৌ মরু অমখক্তদগী শন্দোরক্লবা হোৎনরকপদা, ফৌশক মান্নদবা, মহাও মান্নদবা, চেংগী মচু মান্নদবা, ৱাংবা মান্নদবা, ফৌ মখল মান্নদনা পাল্লকপা ফৌ মরুগী মওং তোংঙানবা য়াওরক্লবদি ফৌ মখল অদু মশাগী শক্তম লেপ্ত্রিবা ফৌনি হায়না লৌগনি। অসিগুম্বা ফৌ পাম্বীদগী হৌদোক্লগে খল্লবদি অপাম্বা ফৌশিং অদু চহী খরা হন্না হন্না থারবা মতুংদা মশাগী শক্তম লেপলকপগা লোয়ননা মরু কুঙনা কৃক কৃক ইনশিন্ননা পানবা, পৌতক তৌবা, চেংথোক লৈবা লায়না তিননা পক্তবা মিটর অমগী ময়াদা ৱাংবা মখোক কনবা, মনা চপ য়ুংবা, চরোং চুম্বা মনা কন্দবা, মমু পান্দবা চেং তেক্তবা য়াম্না মরু ওই। চেং তেক্তবা খন্নবগীদমক্তা ফৌ অদুনা মমুন ফারগা খোকতুনা য়েংবদা চেংগী ময়াইদা নৎত্রগা মতাই ওইরপ্না ফৈনা চেং তেকপগী ময়ি লৈবা উগনি। ফৌ মরু অমদা ময়ি অমদগী মরি ফাওবা লৈবা য়াওই। চেং তেকপা মমা পুকনুংগী লোইনরকপা ওইরবদি তোংশং নাইনা লোক্লবসু চেং অদুম তেক্কনি অসিগুম্বা ময়ি লৈবা ফৌশিং ফৌদিগীদমক খল্লোইদবনি।

ফৌ মচা লৌরকপদগী ফৌ অমগী শক্তম মপুঙ ফানা লেপ্পা অসি চহী ৮–১০ ফাওবা লমদম অসিদা চংই। ৱানা মতম চংনা পুথোরক্লবা হোৎনবদা লমলক্কী উচেক, য়ুমশাশিং ফৌজুম অমসুং উশিংশা য়াঙ্গংবী অমদি লাইনাশিংদগী ঙাকথোক্লবা লবুক্তা চেকশিন থৌরাং পাইখৎহৌবগা লোয়ননা ফৌদি হাপ্নবা বোরাখাওসু ফুৎতোক্কনি। ফৌদি হাপনবগীদমক মীতৈগী ঙবোংখাও শীজিন্নবনা ফুৎপদা খুদোং চায়।

# নিংথম লৌবুক হাঙহন্দনা থম্বা

নবকিশ্বর ঙাংবম

হিয়াঙ্গৈ থাসি লৌরোক থানি। মহৌশানা থা অসিগী থামৈদদি মণিপুরগী লৌবুক অয়াম্বদা চরুখোক ঙাত্তঃ ঙায়নরক্লে। কালেন থা ফাওবনি। থা তরুক অসিদি অকংবা নাপী–শিংনানা কুপহৌরগনি। চাথোক লৈতবা অরেম্বা লমহাং ওইহৌরগনি। হন্না য়েংবিদ্রবা লৌরী অমদি চরুখোক্তা লৌমীগী য়েক্লবা তীল–কাঙশিংগী শাইদাংফম ওইহৌগনি ওল্লকপা চহীদা লান্দারক্লবা। খোইদোকপীদুনা নুংশিৎ–নুংশা লাংহন্দ্রবা য়ৈশিল্লবা লৈবাকশিংদুসু মহৌশা লাইরেম্বীদগী লৈহাও খরদং ফাওবা ফাজিলহৌবা ঙমহৌরোই। মসি ঐখোয়গী হাঙলবা নিংথম লৌবুকশিংগী নুংনাংনিংঙাই ওইবা শক্তমগী শরুক খরদংনি।

অসিগুম্লবা অহাঙবা লৌবুকশিং অসি লৈনা লৈনা ঐখোয়গী লৌমীশিনা করিগীদমক থা তরুক থবক ফংদনা লৈগদগে? লৌ হেক লোকপগা মতম চানা খোইদোকপীরবা লৌবুক অদু ঈনিল শোয়দনা লৈগনি। 'কেপিলারি এক্সন' না পাইথোকখিগদবা লৈপাক্কী ঈনিলশিংবু মতম চানা শোমগায়বিরবা লৈহাওদা মতম কুইনা ফাজিনবা ঙম্মী। খোইগাইদুনা নুংশিৎ নুংশা লাংহল্লবা লৈবাকশিংদি লৈহাও লৈবা হেনগৎলকই। চরুখোক অমসুং লৈনুংদা লোত্তুনা লৈরম্বা তীল কাঙশিং নুংশাগী মৈশানা মাঙহল্লি। মথংগী লৌরোক্তা খুদোং চায়। খ্বাইদগী হেন্না ফরিবনা থবক ফংদ্রবা লৌমীশিংবু থা তরুক অমগা থবক পীবিদুনা অহেনবা শেন্থোক তানবা ঙমহনবা অদুনি।

নিংথম থাদা লৌবুকশিং হাঙহন্দনা থম্মবা থাব য়াবা মহৈ মরোংশিংগী মখল য়াম্না লৈ। অদুবু করম্বা মখলগী পাম্বীশিং থারগা মায় পাক্কদগে হায়বদুদি খরা কুপথনা খনবা অমদি হৈ–শিংবা চঙই। পাম্বী অদুগী মপুন্সি খঙবা তাই, মদু থাবগী মরমদা মপুং ফাবা জ্ঞান লৈবা তাই, লৌফমদুগী লৈবাক লৈহাওগা চান্নবা পাম্বী খনবা তাই, ঈশিং মায়শিং পীবগী খুদোংচাবসু য়েংদবা য়ারোই পূম্মক অসিগা লোয়ননা কৈথেলদা য়োনবগী ফিভম ফাওবা য়েংহৌবা ফৈ। ফৌ–গী লৌবুক্তা থাগদবা মহৈ মরোংশিংদি ফৌ–গা কাঙলুপ মান্নদবা ( ফেমিলি তিন্নদবা) ওইবা ফৈ। ম সিনা লৈহাও মুন্নদুনা চাবগী চাং হন্থহনগনি অমসুং লায়না তীলনা থোকহল্লিবা জীবশিংগী খুদোংচাদবা ওইহনগনি। থা অহুম–অহুমদা লোকপা য়াবা মপুন্সি তেনবা মখলগী মহৈ মরোংশিংদগী অনীদং খল্লগা ফৌগী লৌবুক্কী অহাঙবা মতমদা মতম মান্নহন্দনা মেনশিনবা য়াই। করিগুম্বা কান্দা থাগদবা চারাশিং অদু অতোপ্পা মফমদা হান্ননা থৌরাং তৌদুনা থম্বসু য়াগনি। মসিনসু মতমগী খুয়ৌনবদগী য়াম্না হন্থহনবা ঙমগনি। মতৌ অসুম্না মান্নদবা মখলগী পাম্বী থাদুনা পোথোক পুথোকপগী থবকশিংবু 'ক্রোপ রোটেসন' কৌনৈ। ফৌনা মপুং ওইবা লৌবুক্তা তৌবা ওইরগদি 'ফৌগী ক্রোপ রোটেসন' হায়নগনি।

লমদম অসিদা ফংবা অমসুং থানরিবা মহৈ মরোংশিংগী মনুংদা ফৌগা 'রোটেসন' তৌমিন্নবা য়াব (ওন্ন–ওন্ননা থাবা য়াবা) খরদং লৌখত্তুনা নৈনসি। থাগদৌরিবা পোৎশিং অদুগী মনুংদা হৱাই চেংৱাইগুম্বা থরাক পানবা কাঙলুপশিংগী মনুংদগী অমদি শোয়দনা য়াওহনবা ফৈ। উ–হৱাই মতোল অমসুং চু–চু রাংমৈ নচিংবসু কাঙলুপশিং অসিগী মনুং চল্লি। কাঙলুপ অসিগী মনুং চনবা পাম্বীশিংগী মরাদা ফুরিগুম্বা উবা 'নোদ্যুলস' কৌবা শত্তঃম ময়াম লৈবা থেংনগনি। ফুরিশিংদুগী মনুংদা নাইত্রোজেন মপৈ মপৈ য়াওরিবনি। নাইত্রোজেন হায়রিবসি পাম্বীগী য়াম্না কান্নবা মচিঞ্জাকনি। নাইত্রোজেন য়াম্না লৈরবা মফমদা য়ুরিয়া চাইবগী মথৌ তাদ্রে। মরম অদুনা হৱাইগী মরাশিংদু লৈনুংদগী ফুক্তঃৎলোইদবনি, খোইজিনবীগদবনি–মতুংদা থাগদবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইহৌনবা। হৱাই চানা, হৱাই থারাক, হৱাই মুবীনচিংবা ওইরবদি লৌ হেক লোকপগা থাজিনবা য়ারে। গ্রীন মেন্যুওরিং (অশং–অমানগী হার) গীদমক চু–চুরাংমৈ থাবিগে হায়রবদি অতোপ্পা ফেব্রুৱারী ফাওবগী মনুংদা লোকপা য়াগদবা মহৈ মরোং অমা থাহৌবা নংগনি। ফেব্রুৱারী –মার্চ লোন্নবদা লৌবুক্তা চু–চুরাংমৈ থাবগী চপ চাবা মতমনি। মসিনা লৌবুক্কী লৈহাও হেনগৎহন্দুনা মতুংদা থারক্কদৌরিবা ফৌদা সরকার ওইগদবা য়ুরিয়াগী চাং অসুক্কী মতীক হন্থহনগনি। য়ুরিয়া অমুক হন্না হাপ্লবগী মথৌ ইতামক তাদবফাওবা য়াই।

মতম অসিদা থাবা য়াবা অতৈ মহৈ মরোংশিংগী মনুংদা আলুসু মরু ওইবা অমনি। থাও থোকপা হঙ্গাম, মনা–হঙ্গাম, গাজর, মুলিনচিংবা নীংশিংবা য়াই। কোবী ফুল, নোলখোল, থমচেৎ মানবী, ব্রোকোলিনচিংবা কোবীগী মখলশিং থাবা য়াই। মরী চৎপা পাম্বীশিংগী মনুংদা কালেন থবী, তরবুজ নচিংবা পনবা য়াই খামেন অমসুং খামেন অশিনবা য়াম্না লায়না ফহনবা ঙম্বা মতমনি। মরোই মপাংশিংগী মনুংদগী ফদিগোম, তিলহৌ, চনম্নচিংবা থাবগী চপ চাবা মতমমক্লি।

অসুম্না নিংথমগী চোকথরবা লৌবুকশিংনা লৌকোল হুপ্না অশংবা লৌবুক ওইরক্লবদি অয়েংবসু নুংঙাইরনি, লৌমীগী শেন্থোক হেনগৎলনি, জাতিগীসু য়াইফরনি।

# ওক্কী তমথিবা লায়না স্বাইন ফিবর

ডা. টিঐ নবকুমার সিংহ

ৱাহৌদোকঃ

লায়না অসি য়াম্না লৌনগনবা অমসুং ওক লোইবশিংদা য়াম্না তোইনা অমাঙ–অতা থোকহল্লিবা শাথিরবা লায়না অমনি। মসি হোগ কোলেরা হায়নসু খঙনৈ। লায়না অসি ওক মখল খুদিংমক্তা অমদি চহী মতাং খুদিংমক্তা নাগনবা লায়নানি। ওক্কী ফার্মশিংদা লায়না অসি লায়চৎ লাকপা মতমদা মসিদগী শন্দোকপা অমসুং শিহনবগী চাং অসি চাদা চাম্মগী ময়াদা ওইবা মরম্না ওক লোইবশিংদা অচৌবা অমাঙ–অতা থোকহল্লি।

লায়না থোকহল্লিবা মহিকঃ

লায়না অসি ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপ কুম্বা খুৎলায়গী মতেংনা নৎত্রবদি মীৎনা উবা ঙমদবা য়াম্না কুপ্পা পেষ্টিভাইরস কৌবা আর এন এ ভাইরস মখল অমনা থোকহনবনি। মহিক অসি 60-70⁰C কী মৈশা, 5% Cresol, 3% Sodium hydroxide নৎত্রগা 1% arthophenyl দা হিংবা ঙমদে। অদুবু অইংবদা Frozen Pork তা য়াওদুনা Regrigerator দা কুইনা হিংদুনা চহী মরি ফাওবা লৈবা ঙম্মী লোয়ননা room temperature দা থা অমা ফাওবা হিংবা ঙম্মী।

লায়না শন্দোকপগী মওংঃ

লায়না অসিগী মহিক য়াওবা মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিংনচিংবা থকচিন–চাশিল্লুবা নৎত্রগা শ্বর হোনবদা মহিক অসি য়াওখিবদগী লায়না অসি শন্দোকই। মহিক অসি অনাবা ওক্কী মনপ–মতিন, মথি–ময়ুংনচিংবদা মরাং কায়না য়াওবা মরম্না নাদ্রিবা ওক্তা অনাবা ওক্তা থম্মীন্নবা নৎত্রগা নকশিন্নরুবদা য়াম্না থুনা লায়না অসি শন্দোরকই। নাবা ফরবা ওকশিংনা লায়না অসিগী মহিক চেন্দুনা লায়না শন্দোরক্লবা carrier ওইদুনা লৈ। ওক পুথোক–পুশিন তৌবা গারী, মকোন্দা চংথোক–চংশিন তৌবা মীগী খোঙুপ, ফিরোল, মচিঞ্জাক হাপ্পা পাত্র অমসুং মচা লৌবদগীসু লায়না অসি শন্দোরকই।

লায়নাগী লায়ওংঃ

লায়না অসিগী লায়ওং অহুম থোক্না লৈ।

১। পর এক্যুটঃ লায়ওং অসি ওক মচাশিংদা অয়াম্বা থেংনৈ। অনাবা ওকশিংদা মশক থোকপা লায়ওংশিং ইউৎ উৎলমদনা খঙহৌদনা শিবা থেংনবীগনি।

২। এক্যুটঃ অনাবা ওকশিংনা লাইহৌ হৌদুনা 106-107⁰F য়ৌবা, মশা শোম্থবা, চানিং থকনিংদবা, লেংনিংবা পোক্তনা হিপ্তুনা লৈবা, মমিৎ নাবা, মিৎশাং থাংবা অমসুং হৌগৎলগা চুম্না চৎপা ঙমদবা থেংনবিগনি। হৌরকপদা মথি কনশিল্লম্বদগী অকোনবদা মহি লাংবা অমসুং ওবা থেংনবিগনি। মতু হৌদবা মবুক্কুম্বা শরুকশিংদা মুরৈননা খাম–খামদুনা লৈবা থেংনবিগনি। মমৈগী মতোন, হকচাং থোংগী মপান্দা পিকনা খাম্বা অমসুং চাথৎপা কয়া থেংনবিগনি। মশা ৱাই শংদবা ওকপীশিংনা লাইয়ৈ চৎপা থেংনবিগনি।

৩। ক্রোনিকঃ মশা শোম্থবা, মতু কেনবা, উনশা তৎপা, মতু হৌদবা জগাশিংদা মুরৈননা খাম–খামদুনা লৈবা, chronic diarrhoea অমসুং chronic pneumonia তৌবা থেংনবিগনি। বেক্তরিয়াগী লায়নাদগী ঙাকথোকপিরবদি ওকশিংনা নাবা ফগৎলকপা থেংনবিগনি।

লায়না খঙদোক্লবা পাম্বৈঃ

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা লায়ওংশিং অসিদগী ঐখোয়না লায়না অসি খঙবা ঙম্মী। Confirm তৌনবগীদমক্তদি ELISA test কী মতেংনা অমসুং শিরবা ওকশিংগীনা post-mortem তৌহন্দুনা খঙবা য়াই।

লায়েংবগী মওংঃ

হেক নারকপগা Hyperimmune sera শীজিন্নদুনা লায়েংবা নত্তনা লায়না অসিগী চপ –চাবা লায়েং লৈত্রি। অদুবু ঐখোয়না দরকারগী মতুংইন্না Antibiotic, Multivitamin, Fluid Therapy, Antihistaminic অমসুং Antidiarrhoeal drug নচিংবা পিবিগদবনি।